**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 07-08-2024)**
--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বঙ্গলাদেশতগী আইন কায়না মীতোপশিং চংশিল্লকপা থিংনবা জিরিবাম অমদি ফেরজোল জিলাদা নুমিদাংগী মতমদা করফিউ থমখ্রে।

২) থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ময়াই কৈথেল অমসুং ইরোম খুলদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অমসুং

৩) পেরিস ওলিম্পিকক্স গেমসতা ভারতকী ভিনেস ফোগৎ নুপীগী কিলোগ্রাম ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংগী ফাইনেল চংলে।

------

হোম (এল) ঃ রাজ্যগী হোম বিভাগনা বঙ্গলাদেশতগী আইন কায়না মীতোপশিং চংশিল্লকপা থিংনবা জিরিবাম অমদি ফেরজোল জিলাদা নুমিদাংগী মতমদা করফিউ থমদুনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা দি.সিশিংদা খঙহনখ্রে।

রাজ্য হোম বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- বঙ্গলাদেশতা হৌজিক থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিদা আইন্না য়াদবা মওংদা মীতোপ কয়া চংশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা নারোনদা মীতোপশিং চংশিল্লকপা থিংনবা অকনবা থবকশিং পায়খৎপা তঙাইফদে। মরম অসিনা নুমিদাংগী মতমদা করফিউ থমদুনা ঙমখৈগী লোন্নবা মফমশিংদা পুলিস অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মতম চুপ্পদা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনসু চেরোলশিং থোক্তুনা মীতোপশিং চংশিল্লকপা থিংনবা নুমিদাংগী মতমদা মতম কক্তনা করফিউ থমজিনখ্রে।

পুলিস (এল) ঃ রাজ্য অসিগী চীং অমদি তম্পাক্কী ইরাং থোকনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চথখ্রে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ময়াই কৈথেল অমসুং ইরোম খুলদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুশু খুৎলায়শিং অদুদি- মেগজিন অহুমগা কোন্ননা ইন্সাস এল.এম.জি অমা, মেগজিন অনিগা লোয়ননা ইন্সাস রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফিফতিসিক্স রাইফলস অমা, মেগজিন য়াওবা কন্ট্রিমেদ নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু ১১৩ গা লোয়ননা বোফেং অমা ফাগৎখি।

নেসনেল হাইৱে নম্বর টুদা পোৎচৈ পুবা গাড়ি ১৩৯ অমসুং নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেনদা পোৎচৈ পুবা গাড়ি ২০৬ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা চৎথোক চৎশিন তৌখি।

ইবোমচা (এল) ঃ লম্লাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা সনাশাবী, থমাপোকপী, য়াইঙংপোকপী শান্তি খোঙবাল অমসুং শাবুংখোক খুনৌগী ইরাং থোকনবা য়াবা মফমশিংদা খুঞ্জাশিংবু ঙাক শেন্নবগীদমক থমাপোকপী অমসুং য়াইঙংপোকপীগী উয়োক চীংগী মথক্তা ষ্টেট ফোর্স য়াওনা আউটপোষ্ট অনি হাংদোকবগী থবক ঙসিদগী পায়খৎলগনি হায়না লম্লাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ- খোঙবানতাবম ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নোং (এল) ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা য়াওনা রাজ্য অসিগী অতৈ জিলাশিংদা থা অসিগী ১১ ফাওবা অখাক অরাউ য়াওবা অকনবা নোং চুগনি।

মরক অসিদা, তেংনৌপল, উখ্রুল, চান্দেল, কামজোং, সেনাপতি অমদি তমেংলোংদা ঙসি অমদি হয়েং ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

সিপিআই (এল) ঃ থাঙ্গগী মরুওইবা ইন্তর ভিলেজ রোড ওইরিবা খুনজেম লৈকাই মপাদা পাক শন্না লম্বী নমথরক্লিবা অদু তুং কোইনা নমথরক্তনবা মওংদা শেম্বীয়ু হায়না কম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা হায়রি।

সি.পি.আইগী থাঙ্গ লোকেল কাউন্সিলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- লম্বী নমথখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হায়রিবা খুনজেম লৈকাইগী লম্বীগী মখারোমদা লৈবা য়ুমগী শরুকশিং অকাই অতোই থোক্লে। মফম অসিদা সি.পি.আইগী থাঙ্গ লোকেলগী মীহুৎশিংনা য়েংশিল্লুবদা লম্বী নমথবগী ফিভম অসি অমুক হন্না থোরকপা য়াবগী ফিভমদা লৈহৌরি। মফম অসিদা হৌজিক লৈকাইগী খুঙ্গাশিংনা প্লাষ্টিক্কী দম্বুরশিং শিজিন্নদুনা লৈক্রকশিং কুপশিনবা অসিনা খরা মখৈদি ফরি। অদুমওইনমক, নোং কন্না চুরক্লবদি মফম অসি অমুক হেন্না চেকখায়রকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরি। মরম অদুনা অকনবা নোং লাক্ত্রিঙৈদা সরকারনা তুং কোইনা চৎকদবা খুৎশেমদা লম্বী অসি শেম্বীনবা আপীল তৌরি।

দিসি (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি- নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী স্পোন্সরসিপ মখাদা পাঙথোকপা য়ং প্রেন্যুর চেলেঞ্জ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ভোকেসনেল ষ্টদিজ এন্দ স্কিল দিভলপমেন্টতা থা অসিগী ১৬, ২১ অমসুং ৩০ দা ফেজ অহুমথোকা পাঙথোক্লগনি। চেরোল অদুনা হায়- কলেজ অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংনা চহি ১৮ দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা বিজিনেসকী ব্রাখল চেনবা মহৈরোই অমসুং অতৈ মীওইশিং খনগৎতুনা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা খঙহল্লি।

ওলিম্পিমক্স ঃ পেরিসতা চংখরিবা ওলিম্পিক্স গেমসতা ভারতকী ভিনেস ফোগৎ নুপীগী কিলোগ্রাম ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংগী ফাইনেল চংলে। ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ফোগৎনা ক্যুবাগী য়ুনেলিস গজমান লোপেজবু

পোইন্ট ৫-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখিবনি। নুপী ৰেথ লিফতিংগী কিলোগ্রাম ৪৯ গী কেটাগোরিদা মণিপুরগী সাইখোম মিরাবাই চনু ঙসি নুমিদাং পুং ১১ দা শান্নরগনি।

নুপাগী হোক্কিগী ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ভারত জর্মনিগী খুৎতা পাঞ্জল ২-৩ মায়থিহৌরে।

মেদল টেল্লিদা-আমেরিকানা সনাগী ২৪, লুপাগী ৩১ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩১ পুন্না তকমান ৮৬ ফংদুনা অহানবদা লৈরি। চাইনানা সনাগী ২২, লুপাগী ২১ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৬ ফংদুনা পুন্না তকমান ৫৯ ফংদুনা অনিশুবদা অদুগা ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী ১৪, লুপাগী ১২ অমসুং শেঞ্জেংগী ৯ পুন্না তকমান ৩৫ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি।

ভারতনা শেঞ্জেংগী তকমান অহুম ফংদুনা ৬৩ শুবা মফমদা লৈরি।

বঙ্গলাদেশ ঃ বঙ্গলাদেশতা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা ভারতনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারতমচাশিংগা মতম চুপ্পদা পাউ ফাওনরি।

বঙ্গলাদেশতা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা সভাগী হাউস অনিমক্তা সুও মোটু ষ্টেটমেন্ট ওইনা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়- হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা মহেরোই লিশিং ৯ য়াওনা পুন্না ভারত মচা লিশিং ১৯ রোম বঙ্গলাদেশতা লৈরি। মহাকা হায়- হৌখিবা থা অসিদা ধাকাগী হাই কম্মিসনগী মীৎয়েং মখাদা য়াম্লবা মহেরোইশিং ভারত্তা হল্লকখ্রে।

সভাগী হাউস অনিমক্তা পাউদম্লদুনা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- দিল্লিদগী ওইরিবা ফিভম অসি মাইনোরিতিশিংগী ষ্টেটস কুপা খন্নদুনা য়েংশিল্লি। মখোয়বু তেক্ত-কায়দনা অমদি শাফনা লৈনবগীদমক তোঙান তোঙানবা সি.এস.ও অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা থবক কয়া পায়খৎলি হায়বগী রিপোর্ট লৈ। মহাকা হায়- ভারতকী মাইকৈদগীসু অসিগুম্বা খোঙথাং অসিবু ইকায় খুমবা উৎলি অমসুং মফম অদুদা শান্তি হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবগী তঙাইফদবা লৈ।

প্রোজেক্ট ঃ নমামি গঙ্গে মিসন টু পোইন্ট ওগী মখাদা কেন্দ্র সরকারনা উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদা লুপা কোতি ৯২০ গী অচৌবা প্রোজেক্ট মরি লোইশিন্দুনা মথৌ তৌবা হৌরে। হাইব্রিদ এন্যুইতি পি.পি.পি (ঐচ.এ.এম) মোদেলদা বেজ তৌবা প্রোজেক্টশিং অসি এদভান্স সিক্বেন্সিং বেটচ রিএক্তর টেকোলোজিগী মখাদা দিজাইন তৌবনি। প্রোজেক্টশিং অসি নেসনেল গ্রিন ত্রিবুনেলদা পীরিবা ষ্ট্রিনজেদ ষ্টেন্দর্দসকী দরকার লৈবা শুনা য়াওরি।

পাউ অদুনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিনা গঙ্গা তুরেল অমসুং মসিগী মশা তুরেলশিংগী ঈশিংগী ফিভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙরাং মণিপুর বিধান সভাগী মীফমদা মুখ্য মন্ত্রিনা পুখৎখিবা হাউস কমিতি অমা শেমদুনা আইন কায়না মীতোপশিং চংশিল্লকপা থিজিন্নবগী পাউ অসিনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পোকফম পাউচেদা- সভাদা মীতোপকী মতাংদা খন্ন-নৈনখিবা পাউ অসিগা মরী লৈননা- হাউস কমিতি শেমদুনা আইন কায়না মণিপুরদা চংশিল্লকপা মীওইশিং থিগৎপদা য়ান্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকল, মোর্নিং বেলদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- দিপার্টমেন্ট ৬ কী দিমান্দ ফোর গ্রান্ট লুপা ক্রোর লিশিং ৩,৫২১ হেনবগী শেনফম পাস তৌখ্রে, ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং য়েংশিন্নবা হাউস কমিতি শেমবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং ঈদা য়াওবা হুগুম্বনি, মখল মখাগী ক্রাহম কয়া থোকহল্লে, ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং লৈ হায়বা য়ানিংদবা

হাউসকী মেম্বরশিং য়াওরি হায়না এ.এল.এ লৈসিও কৈসিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সংসদতা ঙরাং কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রিনা সভাদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা পল্লদুনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি অৱাং নোংপোক ভারতকী অয়ান্বা শরুক্তা অফস্পা লৌথোক্লে হায়বা পাউ অসিনা ওইরি।

মণিপুরগী ৱেথ লিফতর মিরাবাই চনুগী ৱেথ লিফতিং মশান্না ঙসিদগী হৌরগনি হায়বগী পাউ অসি পাউচে খরদা ফোংবা থেংনরি। সনালৈবাক পাউচেদা- পেরিস ওলিম্পিক্সতা মিরাবাই চনুগী মরাইবক ঙসি নুমিদাং লেপ্লগনি, মিরাবাইদা ইন্দিয়ানা মেদল অমা লৌগনি থাজমরি হায়বা পাউ অসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

জিরিবামদা ঙরাং থোকখিবা চীং নীংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই অমা শিখিবগী পাউ অসিসু পাউচে অয়াম্বদা ফোংলি। জিরিবামগী খুঞ্জাশিং লু কোকপদা লেন তারে, চীং নীংখায়রকপদা তুম্লিবী নুপীমচা অমা শিরে, মমা অমসুং মচিল মনাউ মরি শোক্লে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুর মেলদা- জিরিবামদা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরম্বা মীওই ১৩৩ মশা মশাগী ময়ুমদা হলহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পাউচে অসিগী মরুওইবা পাউ অমা ওইনা ফোংলি।

মীতোপশিং লেপ্তুনা চংশিল্লকপা অসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা মীওইশিংদা অকিবা পীরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হাউসতা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.এস.পি.দি.সি.এল অমসুং এম.এস.পি.সি.এল ২০২০ রিক্রুটমেন্টকী রিজল্ট চহি অসিদা লাউথোক্লগনি হায়না পৱার মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা হাউসতা থাজবা পীখিবগী পাউ গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------